ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, জুলাই ২৩, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১১৮শুবা মশীং

# থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপা

## ইনখৎলক্লিবা নহারোল অয়াম্বা থবক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরে

ইন্দিয়াগী ওইনা লেবর ফোর্স পর্টিসিপেসন রেট (এল এফ পি আর) অঙকপা ফংনা হন্থরক্লি। বেন এন্দ কম্পনি অমসুং গুগলনা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়, হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অসিগী অনইমপ্লোইমেন্ট রেট চাদা ৭ ওইরি। নুপীশিংগী ওইনদি থবক ফংদবগী চাং চাদা ১৮নি। থবক ফংদবগী চাং নুপাদগী নুপীনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। হৌজিক-হৌজিক থবক তৌরিবা নুপী অয়াম্বা এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং দেটা প্রোসেসিংগী থবক তৌবনি। আর্টিফিসিয়ল ইন্টিলিজেন্স অমসুং টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না নুপী অয়াম্বা থবক লৌথোরকপা য়াই হায়রি। ৱাশিংটন্দা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ ৱিমেন্স পোলিসি রিছর্সনা চথুখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, মীওইবনা তৌরম্বা থবক অয়াম্বা আর্টিফিসিয়ল ইন্টলিজেন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা মহুৎ শিনখ্রে। সেন্টর ফোর মোনিটরিং ইন্দিয়ন ইকনমি (সী এম আই ঈ) নসু লৈবাক অসিগী নহারোল কয়ামরুম থবক ফংদবগী মতাংদা নুংনাংবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে। ৱর্ল্ড বেঙ্ককী চীফ ইকনমিষ্ট ওইরম্বা কোসিক বাসুগী ৱারোল পল্লদুনা সী এম আই ঈগী রিপোর্টনা হায়, থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপা হায়বসি অফবা খুদম নত্তে। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎহৌদবা তারবদি লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লগনি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মশাগী চহী ২০দগীনা ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহারোল মিলিয়ন ৪০৬ থবক ফংদ্রি হায়না পল্লদুনা সী এম আই ঈগী রিপোর্টনা হায়, থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না মীওই অয়াম্বা পূক্নিং ৱাখল লাংতক্লবা হেনগৎলক্কে। মীওই অয়াম্বগী পূক্নিংদা লাংতক্লবা ফাওহল্লিবসিগী মরু ওইবা মরমদি অনইমপ্লোইমেন্ট; ক্রাইম এন্দ ভাইয়লেন্স; ফাইনান্সিয়ল এন্দ পোলিটিকেল করপসন; টেররিজম; পোভর্টি অমসুং সোসল ইনইক্কেলিটিনি।

অমরোমদা, নেসনল ষ্টেটিষ্টিকেল ওফিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা মীওই লাখ ১২.৬৭ থবক পীখি হায়রি। ইমপ্লোয়ীজ ষ্টেট ইন্স্যুরেন্স কোর্পোরেসন (ঈ এস আই সী) গী দেটা পল্লদুনা নেসনল ষ্টেটিষ্টিকেল ওফিসকী রিপোর্টনা হায়, শেনবা চহী ২০১৮-১৯দা ঈ এস আই সীগী অনৌবা সবস্ক্রাইবর ক্রোর ১.৪৯ হেনগৎলকখি। কুমজা ২০১৭কী সেপ্টেম্বর থাদগী হৌরগা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ফাওবদা ঈ এস আই সীগী অনৌবা সবস্ক্রাইবর ক্রোর ৩.৫০ হেনগৎলকখি। ঈ এস আই সী, ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ঈ পি এফ ও) অমসুং পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (পি এফ আর দি ও) না চল্লাইবা স্কিমশিংদা নৌনা য়াওরকপা সবস্ক্রাইবরশিংগী দেটা নৈনরবা মতুংদা নেসনল ষ্টেটিষ্টিকেল ওফিসকী রিপোর্ট অসি ফোঙলকপনি। রিপোর্ট অদুনা হায়, কুমজা ২০১৭কী সেপ্টেম্বরদগী হৌরগা কুমজা ২০১৮গী মার্চ ফাওবদা ঈ এস আই সীগী অনৌবা সবস্ক্রাইবর লাখ ৮৩.৩৫ হেনগৎলকখি। হৌখিবা দিসেম্বর থাদা অনৌবা সবস্ক্রাইবর লাখ ১০.০৮ ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন্দা ইনরোল তৌরকখি। পূন্নমক অসি ওইদুনসু ইন্দিয়াদা থবক ফংদবা মীগী মশীং অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী চীফ ষ্টেটিষ্টিসিয়ন ওইরম্বা প্রোনব সেননা 'দি ৱায়র' দা হায়খি, কুমজা ২০১৬কী নবেম্বরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিমোনেটাইজেসন তৌদুনা মতমদুগী লুপা ১০০০ চৎপী অমসুং লুপা ৫০০ চৎপী চৎনহনখিদবা মরম্না লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপদগী মীওই কয়া থবক লৌথোরকখি অমসুং থবক ফংদবগী চাং হেনগৎলকখিবনি। হৌজিক্লা অমুক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপদগী ফেক্টরি অমসুং ইন্দষ্ট্রি অয়াম্বা থোঙ লোনখিবগা লোয়ননা কম্পনি অয়াম্বনা মীওই কয়া থবক লৌথোরকপদগী মফম খুদিংমক্তা থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপনি। নেসনল ষ্টেটিষ্টিকেল কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন ওইরম্বা পি সী মোহননা পেনেল দিস্কসন অমদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী মীওই অয়াম্বা চহী নৌরিবা নহারোল ঙাক্তনি। লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী মিদিয়ন এজ ২৮নি। চাওখৎলে হায়রিবা জপানগী মিদিয়ন এজনা ৪৮.৬নি। চাইনাগীনা ৪২নি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মরক্তা নহারোল মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা ইন্দিয়ানা ওইরি। থবক ফংদবা নহারোল মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাক অমা ওইরিবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপা মথৌ তারে। মীপূম খুদিংমক মশানা-মশাবু থবক পীজবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই কয়াদসু থবক পীবা ওন্ট্রপ্রিনর ওইবা হায়বদু ওইথোক্লোইদবা মরম্না হীরমসিদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোক্লে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অঙাংশিংনা বাবা-ইমা হায়না কৌনরম্বা ঙসিদি কার্টুনগী মরোলদা ওইনা কৌনরক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

'তে তে তেনৱা, কৈশামপাৎকী তেনৱা হৈনৌনা মুল্লগা তেনৱানা হরাওই উ...উ...। মতম অমদা লৈরক-কোনশাং খুদিং লৈকায় লম্পাক খুদিং শক্তুনা অঙাং ময়াম হরাও-তয়াম্না শানরম্বদো মতমগী য়াওলগী মতুংইন্না ঙসিদি মাঙখ্রে। শান্নফম ওইরম্বা লম্পাক কয়া কম্ম্যুনিটি হোলনা মহুৎ শিনখ্রে। লম্পাক অপাকপদা শান্নরম্বা টি ভি অপাকপা অমদি মোবাইল অপাকপনা মহুৎ শিনখ্রে। মতম অমগী নুংশিরবা মশান্নশিং চাকথোংবী, লাইফদিবী, খোংজোংবী, চেগাই চোংবী শান্নবা ঙসিদি পূন্নমক উখিদ্রে। পূন্নমক অদুগী মহুৎতা মোবাইল লিজেন্দ, পবজি, টিক-টোকনা মহুৎ শিল্লদুনা অপিকপা অঙাংশিং ফাওবা মোবাইলগী লমজেলদা য়াওনরে। পীক্লিবা অঙাংশিংনা অহানবা মরোল থোক্লকপদা বাবা-ইমা হায়না কৌনরম্বা হৌজিক্তি কার্টুন ভিদিওগী মরোলদা ওইনা হান্না থোক্লক্লে, ইমা-বাবা কৌবা হৈনরক্ত্রে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

চুম্মী অহোংবা নাইবা তাইবঙাপাননি, মতমগী য়াওল মতুংইন্না হোংলক্লিবা পূন্নমক অসিবুসু ঐখোয়না চুশিন্ননা চৎপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। অদুবু অহোংবা পূন্নমক অসিগী মরক্তা ইশাগী শকফম ফাওবা কাওশিল্লকপা য়াওনরকপদগী মশানা মশাবু পাখঙনি, লৈশাবিনি, মৌনি, ময়ুম পাল্লবনি হাইবা খঙনা-খঙনা হেক তাবদা নুংঙাইতবা থবকশিং তৌরুবদগী ৱাথোক-লানথোক কয়া থোকহন্দুনা ইমুং-মনুং কায়খিবা কয়া খুন্নাই অসিদা হেক-হেক থেংনরিবা অসিদি অফবা অহোংবনি হায়না লৌবদি লানগনি। য়ূমগী য়ুমবুরেম্বিনা য়াহৌ ঙন্না হৌদুনা, মচা অপিকপদু নমদা পো, শারবা কালেনগী মৈশা মরক্তা থবক ইনখাং চৎপা নংননবা হায়দুনা চাকশা থোংদুনা পীজরকপা মপুরোইবদুনা থবক চৎপগী মরুমদা খুদোংচাবা লৌদুনা ময়ুমদা নুপী-অঙাং লৈহৌরি হায়বা কাওবমকৈ শানৈ-যুনৈদুনা লৈথোকপা অদুদগী হেন্দোক্তুনা ইপং-পংজবী নুপী কয়াদা কাইহৌদুনা নুপী ওইবী কয়াগী ইকাইখুম্নবা মৎপীবগী থৌদোকশিং নোংমা-নোংমগী মশীং হেনগৎলক্লি হায়জনিংই।

নাকল অমরোমদা নুপী ওইবীশিংগী মরক্তসু য়াম্না কিনিঙাই ওইবা নুপীশিংসু অদুমক য়াওদবদি নত্তে। তশেংনা হায়রবদা ঐখোয়দা য়াম্না কান্নবা পীরিবা মোবাইল অসিসু লান্না শীজিন্নরুবগী মহয় ওইনা খুন্নাই অসিগা য়েমৌনবা মওংদা লৈশাবিনা নুপী অঙাং লৈবা নুপাগা, য়ূমগী নুপীনা মপুরোইবা লৈনা-লৈনা অতোপ্পা নুপাগা নুংশি মরী থল্লকপা অসিদগী হেন্দোক্তুনা ঙাইহাক্কী ৱাখল ফাথবা ঙমহৌদবদগী ইমুং-মনুং, ইমা-ইচা, ইনেম-ইকু লৈরি হায়বা ফাওবা কাওশিল্লক্তুনা খুন্নাই অসিগী চৎনবীগী মায়োক্তা শেৎনিংবতা শেৎ, চৎনীংবতা চৎ তৌদুনা শা-ঙাগী লীচৎ-শাজৎ চৎলকপগী থৌদোকশিং য়াম্না তোইনা থেংনবা নৎত্রবসু মরক-মরক্তা অদুমক থেংনরি। পূন্নমক অসিনা মরম ওইদুনা খুন্নাই অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়াসু লেপ্পা লৈতনা থোরক্লি। হোংলক্লিবা য়াওল অসিনা করিগুম্বা হুমদুনা পুদুনা চৎখ্রবদি খুন্নাই অসি লৈখা তারবা, শুম চারবা খুন্নাই অমা ওইদুনা লৈহৌরগনি। মরম অদুনা পূন্নমক্লা শোৎথরবা খুন্নাই অসিগী তুংগী মরায়বকসি অমুক্তংদি কন্নবা হোৎমিন্নসি।

*অদোমগী : ভিক্তোরিয়া অথোকপম*
*নহারুপ, ইম্ফাল ইষ্ট*

# অঙাং ওইরিঙৈ মতম নীংশিংদুনা শান্নবা - ২

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

নীংশিংলুরগসু য়াম নোক্লিংবা অদুগা য়াম্নসু নুংশিবা মতমনি, অঙাং ওইরিঙৈ হায়বসে। হৌজিক্কী মতমগী অঙাংশিংনা শান্নবগী মওংগা মতমদুগা য়াম খেন্নে। মতমদুদদি লৈকায় খূদিংগী শান্নবুং হায়গদ্রা লম্পাক মচা অমত্তা ওইরবসু লৈ। নুমীদাংৱাইরমদা নহা মচাদগীনা চাউরপ তৌবা ফাওবসি লম্পাক্তা মখল কয়াগী মশান্নাশিং শান্নে। পুল্লপ পুল্লপ শান্নমিন্নে। য়াম নুংশিনৈ। অদুবু বোলগুম্বা শিংনবা মতমদদি কাঙলুপ কাঙলুপ পুনশিল্লগা য়াম লাওনৈ, মাই মাই কাঙবুনা থোইহন্নিংবদগী। খুৎতি য়াওনদনা য়াম লাওনৈ। করিগুম্বা ফুন-চৈনবগা থোক্লসু, অহল অমনা "হৈৎ" হায়না লাওবদা তুমীন তুমীন লৈনৈ। মখা তানা কনামত্তা ঙাংনবা জাৎ নত্তে। আক-পাক য়াম নাইনরম্মী।

অশেংবা শউনগী ফুটবোলগাইদুদি কাওবা ফংলকপা নত্তেদা। বোল শান্নবা হায়না শান্নারক্লিসি, নোবাপ হেক্লগা লৈমায়দা পোপ-পোপ থারগা পোপহল্লগা শান্নবনি। মদু কাওবদা খোঙগা পোম্ন রিবনি। অদুবু নাই হায়দুনা শান্নবুংদগী পাক থোক্লদে। হেক থোকপদা কিগনবা তাই, অদুনা নারসু নানা খাংনৈ, শেক শেক্তনা। ঐখোয়দগী খরা চাউবা অহলশিংনা শউনগী বোল কাওবদু কয়াম কল্লকখি। কয়াম কাওনিংখি। আউট তাবা মতমদা খুল্লগা বোলদু লংখৎলগা অমুক্তংগা কাওহৌবদা, মদুদগা নুংঙাইবসিদি তম্বদা থোক্লোই। ৱাহৈ লৈতে। মোইনা শান্নরিদুসু সেকেন্দ হেন্দগী বোল ঙাক্তনি। শান্নরিঙৈদা নুংশিৎ তারক্তুনা হাল্ল হাল্লগা শান্নরিনি। মোইগী বোলদু শেগায়বা ঙাইরিনি। মদুদা ঐখোয়না চরু পিক থন্না লিং লিং লাউনা হাপচিল্লগা ঐখোয়নগা কাওরগা শান্নবদুদি শাথিনা বিট লৈবজাৎনি। নোবাপতগীদি মদুনা খিত্তং ষ্টেন্দর্দ লৈ খন্নরিনি। ঐমক্তি বোল শান্নবদা বোলদা কয়া কাওবা ফংলক্তে, কাংলম চেনবদা ইপুমসু থিৎপা, বোল কাওবদা বোলদদি পান্দদনা ইথন্তা তুশিনবনা কোংগাইনি। অদুনা খরা অহৈবা লাক্লদি ঐদি অয়াম্বা মতমদা ষ্টেনবাই ওইনা অদুম লৈ। কয়া য়াওবা ফংলক্তে। মদুদা থিৎখিবা খোইদৌদু হৌজিকফাও নীংশিংলগা মিহুল কাংলি। অমুসু নীংশিংলকই। ঐগী পরেংগী ইরেংশিংনা লৌখাও পন্থাদা লৌ খাওরগা মদুদা ফংলকপা শেলদুনা বোল লৈখিবদো। খ্বাইদৈ নুংঙাইবদি, লৌ পেংলগা বোল লৈরগা জুলাই, ওগষ্ট থা অদুৱাইদা লম্পাক্তা বোল শান্নবদা লম্পাক্তা লৈবা লৈখোম ময়ামদুনা কাওশিন্নবদা মায়, মিৎ খঙদখৈ পুমতৈ তৈখিবা, মীশক খঙনদদুনা বোলদু মিচংদা পীবগী মহুৎতা মীতোপতা পাস পীশিনবদা মীনা গোল চনখিবদগী ময়াম চঙদুনা শাওনবা, হৌজিক্তদা খল্লুরগা নোক্লিংঙি। লৈকায়গী পুখ্রিদা জোম জোম চোংথদুনা ঈরুজখিবা, পুখ্রিদু কুম্বং শাখৈ নৈবদা অহলশিংনা শাউদুনা চৈ পায়দুনা পুখ্রি মপান্দগী লাম লামদুনা ফুধখিবদুবু কমাইনা কাউদুইনো?

হৌজিক্তি লৈকায় অমত্তদা লম্পাক লৈবা উদ্রে। লম্পাক হেক লৈবগা এম এল এশিংনা কম্ম্যুনিটি হোল শাজিন্নখ্রে। হৌজিক্তি লম্পাক লৈরক্তবদগী শাবা খরবু লেপ্পবরা খঙদে। লম্পাক লৈহন্দবা হায়বসে, হৌরক্লিবা অঙাংশিংগী হকশেলদা চাউনা শিংনবনি হায়বসি মখোয় লৌশিং ইতা তাদে। হৌজিকসু অদুঙাই, কনাগী লৈকায়দা লম্পাক মচা লৈরিগে হায়দুন মীখল ময়াসিদা মী থাদোক্লগা থিবা য়াওনরি হায়না তাই, মসি লাইবক থীবনি। বোলখক্তগী ৱা নত্তে। ফিবুন হাবি, শগোল তোংবী, শেবোৎতি কাউনবী, উরাওবি, কাংজৈ, চৈতেক কোৎপী য়ামখ্রবা মশান্নানি। নুমীৎ তারক্লবদা মমানা মচা কৌশিনবগী নুংশিখ্রবা ফজখ্রবা খোঞ্জেল লৈকায় অমত্তদা তাবা লৈতরে। মমানা কৌবদা খুল্লক্তবা মচাবু মমানা মখুৎতা চৈ মচা অমা পায়রগা থিবা থোরকপা কনাগী লৈকায়দা উরিবগে? মদু চাওখৎপা নত্তে হায়নদি খল্লমগনি। অদুবু মতমদুদা মমাগা মচাগগী মরক্তা শাগৎখিবা নুংশিখ্রবা মরী অদুদি ঙসি কনানা শাগৎলিবগে। ভিদিও গেমনা কাউঙমদবা মমা-মচাগী নুংশি ৱারী শেম্বা ঙমগদ্রা?

হৌজিক্তি অদুগুম্বা নুংঙাইরবা মশান্না অদু লৈতরে। হৌজিক্তি লৈকায়দা লৈমিন্নবা হৌমিন-কামিন্নবা অমত্তা মশক খঙনদে, শান্নমিন্নদে, স্কুল চৎমিন্নদে, তীন্নফম লৈতে। অদুনা চাউর ফাওবদা মশক মশা অমত্তা খঙনদে। মীতোপ মীতোপতৌনা তৌনরে। কনামত্তা কৌনদ্রে। লৈমিন্নবগী নুংশিনবা হায়বদু অমত্তা ফাওনদে। অদুনা থৌদোক ৱাথোক অমা থোকপদা হংনদরে, চঙনদরে। য়ুম অমগা য়ুম অমগা ৱাল ৱাংনা ৱাংনা খাগৎনৈ। চৈরাওবদা নৎত্রসু নোংমত্তা এন্সাং লান্নদুনা চামিন্নবা, অরৈ লৈত তাথোক-তাশিন তৌমিন্নবা হায়দু লৈতরে। মমা-মপানা মচাবু য়ারিখৈ মপানদা থোক্তনবা মী তীন্নদনবা ময়ুম ময়ুমদা টি ভিগী কার্টুন চেনেলশিং, লেপটোপ, ভিদিও গেম মখল মখল লৈদুনা শান্নহল্লি। অদুনা অঙাংশিং মমিৎতা অনোক মচা অমমম উপ্পগা থোক্লরক্লে। মমিৎতা নত্তনা ব্রেন য়াওনা শোক্লরকপদগী, চাউরক্লগা মমা-মপা মশক খঙলক্ত্রে। মীওইবগী মীনুংশি, অপূনবগী মশক, খোগোপ্পা লোয়না মশা মশাদা পকত্রে। মদুগী মহুত্তা, মশা মশাগী ওইজমান পুজমানদা লুপখিদুনা কনা অমত্তা উবা ফংনদ্রে। খুন্নাইসি খুনাং চারে। তুংলমচৎ উদবা খুন্নাই অমগী মশক লৌরক্লিবা অসিনি।

মতম অমদা অহলশিংনা মচা-মশুশিংবু মনাক্তা কৌশিন্দুনা লৌশিং ৱারী লীবীরম্বা, অঙাংশিংনসু অহলশিংনা ৱারী লীবীনবা, ফুরি শিকপীবদু মাঙখ্রে। ৱারী অমা লীবদা ফুরি চাম্মা শিকপী। ফুরি চনি শিক্লবদি ৱারী অনী লীবী। ফুঙ্গা ৱারী, পাউতাক ৱারী, হিংচাবীগী ৱারী, লাই খুৎশাংবীগী ৱারী, তপ্তাগী ৱারী, হনুবা হনুবী পান থাবগী ৱারী, মমা পোক্তবীগী ৱারী, ৱারীশিং অদুদা য়াওরি য়ুম্বাল্লোন, য়ুমকাইরোল, য়ুমশারোল। অমুকসু অচৌ অশাংশিংগী ৱারী, চৎনরোলগী ৱারী, নিংথৌরোলগী ৱারী - ৱারীশিং অদুনা পীখি মীওইবগী লৌশিংলোন, পুৱারীগী পাউখোং, পোলিটিকেলগী কাঙলোন। কয়াদা মমল নাইখিদ্রবা ৱারীশিংনো? ৱারীশিং অদুগী ভেল্যুদুদি হৌজিক্কী মমা-মপানা শেল কোকথোং অমা তিংদুনা লৈগে হায়না থিবদা লৈবা ফংলোই। অহলশিংগী ৱারীদা থৌনা হাপ্পা, লৌশিং মথৌ শংবা, নাৎ শক্তমগী ফজখ্রবা চৎনরোল, লাইরিক অমত্তদা ইদবা তাঙলবা লনগৈ ঙাক্তগী ৱারীনি। মদু তাহৌবা নহাশিংনা হৌজিক্তদা কয়াদা মমল নাইদে হায়না খল্লিবা, অহলশিংগী ৱারীদু কাইর-কাইরগা মশাগী লন ওইদুনা ঙসিদি কয়াদা লেমজরিবা? অদুগুল্লবা শাগৈগী, ইপুগী ইবেনগী তাঙলবা ৱারী কয়াশিং অদুবু চাওখৎলবা লৈবাক রুসিয়া, জপান, কোরিয়া, চাইনা, অমেরিকা, য়ু কেগী অফাওবা অইবশিংনা ইবা লাইরিক্তা ফংগদ্রা? লায়রবা লমসিগী লাইরিক হৈজদবা ইপুশিং অদুনা তন্থীরম্বা লীবীরম্বা ৱারীশিংদি সনাদগী লুপাদগীসু হেন্না মমল য়াম্মী হায়না খন্নরি। অদুবু হৌজিক্কী অঙাংশিংনদি মদুগী ভেল্যু অদু খঙলরোই। মসিগী অশোয়বসু হৌজিক্কী মমা-মপাশিংনা মচাশিংদা চাওখৎপগী মিংদা পীবা খুদোলনি হায়না লৌবদা থোইনা লাল্লোই।

ঐঙোন্দা ৱারী য়াম্না হেক লীবীখিবসি ইপনধৌ বিরনি। ফুরি হেক শিক্লিখৈ ৱারী লেপ্তুনা লীবীবনি। অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদু হৌজিক অমুক হল্লকউ য়াররোইদো। ইপনধৌদু লৈখিদবা কুইখ্রে। হৌজিক্তগা ইপনধৌদু লৈরদি ঐ মনাক্তা লেংদনা অসুম লৈখিনি, ফুরি য়াম্না শিকপীখিগনি, তানিংবা ৱারী তানবা, তাদৌবা তানিংবা ৱারী য়াম্না লৈরি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১২৬

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওক্টোবর ৩০, ২০০৯ :** মণিপুরদা মহৈরোয়শিংনা মতম শাংনা লাইরিক তম্বা ফংলক্তবগী মতাংদা য়াশিন্নবা অমা পুরক্তুনা খোঙজং লোইশিন্নবা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসন মাপন্না মণিপুর লৈঙাক অমসুং খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংদা আপিল তৌরক্লি। খোঙজং অসি লোইশিনবীয়ু হায়বা চেরোল অদুদা মহৈরোয়শিংগী ওর্গনাইজেসন অমসুং লৈঙাক্তা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া থল্লক্লি।

দোন বোস্কো ইম্ফাল এলুমনি, খোইবু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন দিল্লি, কুকি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন দিল্লি, নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন দিল্লি, ইন্টরনেসনল মণিপুরী প্রোগ্রেসিব ফোরম, য়ু কে; লিট্টল ফ্লৱার এলুমনি, মণিপুর য়ুথ ফাওন্দেসন অমসুং জিল্লাই য়াহুগ্রুপস (ইন্টরনেসনল) না পূন্না থোকপা চেরোল অমদা, মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হৌজিক ষ্টেট অসিদা চথুরিবা ষ্টেট স্পোন্সর টেররিজমগী মায়োক্তা মীয়ামগা অমত্তা ওইবা খোল্লাউ অদু লাক্লবনি। অদুবু লৈঙাক্লা মীওইবগী রাইট খোঙ্গৈইনবগী মতাংদা চপ চাবা অচুম্বা পুথোক্লবা খোঙথাং অসিদা মহৈরোয়শিং মতম শাংনা মহৈ-তম্বা ফংহন্দবা অসিনা কাউন্টর প্রদক্টিব ওইদুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংগী মীংচৎ থিনবগী মচাক অমা ওইরক্লি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দেমোক্রেটিক প্রোটেষ্ট অমগী মশাগী ওইবা পনখৈ লৈ হায়বসি মীয়াম্না খঙই। ষ্টেট অসিদা থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা থৌদোক্কী মতাংদা চথুখিবা ঈহৌ কয়া ঐখোয়না উখ্রে। অদুবু লৈঙাক অসিনা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা লোইশিনবগী থৌওং অমত্তা উবা ফংদে। ফীভম অসিদা কূপ্পা য়েংশিল্লবদি মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী নুংগী ওইবা ৱাফম মীয়াম্না কাউশিন্নরকপগুম তৌরি। খোঙজং অসিনা কুইনা চঙশিল্লকপদগী মমা-মপা, ওজা অমসুং মীয়াম্না চথরিবা খোঙজং অসি মীয়ামগী মায়োক্তা চথবা ওইনা উরক্লে। মতাং অসিদা মমাঙদা তৌখিবা থৌদোকশিং য়েংলগা, লৈঙাক অসিনা মতম লৌদুনা মীয়াম অমসুং খোঙজং চঙশিল্লিবশিংগী মরক্তা খৎনবা ঙাইবগুম তৌরি। অদুবু মীয়াম্না ৱায়েল য়াওদনা করিগুম্বা অমত্তা লেম্না থারোই হায়বসিদি ঐখোয়গী থাজবনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না খনবা লৈঙাক অসি য়াম্না চুম্বা দেমোক্রেটিক ওইবা লৈঙাক অমরা হায়বসি ৱাহং অমা ওইনা লাক্লি। লৈঙাক অসিনা য়াম্না মপুকচেল শেংবা লৈঙাক অমা ওইরবদি অঙাংশিংগী মহৈ তম্বগী রাইট কন্নবগীদমক লৈঙাক্লা মহৈরোয়শিংগী য়ুনিয়নগা ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি। অদুবু লৈঙাক অসিনা চপ চাবা থবক লৌখৎপগী মহুত্তা ফন্দামেন্টেল সিভিল রাইট অমসুং মীয়ামগী পেন্দবা ৱাখল্লোন্দা পোলিটিক্স শান্নদুনা লৈরি। অসিগুম্বা চৎন-লোনচৎ অসি তুংগীদমক ঐখোয়না অহৌবদগী চুমথোকপা মথৌ তারে। হীরম অসি চুমথোক্লবা ঐখোয়না ঈহৌ হৌবা চুম্মী। অদুবু মতম শাংনা ক্লাস বোইকোট তৌবা অসিদি কাউন্টর প্রদক্টিব ওইগনি। মরম অদুনা মহৈরোয়শিংগী ওর্গনাইজেসনশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি খন্থদুনা খোঙফম হন্দোকপা চুম্মী হায়নসু চেরোল অসিনা হায়রি।

অমরোমদা, অপূনবা চেরোল অসিনা লৈঙাক্কী মফমদা থম্বা ৱারোলদা তোঙান-তোঙানবা ৱাহং কয়া হংলদুনা হায়, মহৈরোয় লিশীং কয়ানা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরিবা অসিদা লৈঙাক্লা অতনবা অমগুম হৌজিকসু তুমিন্না লৈশিল্লিবা করিগীনো? মীয়ামগী য়াইফনবা খনদ্রবা লৈঙাক অদুদি লৈবগী করি মথৌ তাবগে। করিগীদমক লৈঙাক্লা মহৈরোয় ওর্গনাইজেসনশিংগা ৱারী শানবা হোৎনদ্রিবনো। লৈঙাক্লা মহৈরোয়শিংগী পুন্সিবু মমল লৈতনা খল্লবদি লৈঙাক অসি লৈবগী করি মথৌ তাবগে?

থাঙ্গৈশেংনা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি হৌজিক্কী ফীভম অসি মায়োক্লবা ঙমদ্রে হায়বসি নাখৈ শেংলে। লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবা অমসুং মান্নদবা থৌওং কয়া চথরকপা অসিনা পোৎশক খুদিংমক্তগী হেন্না তমথী। মসিনা হেন্না ৱাখল তারোইদবা ফীভম অমা লাকহনগনি। লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবা অসিনা তাকপদি মীয়াম্বু ইকায়খুম্নদে হায়বনি। লৈঙাক্লা মীয়ামগী মতেং ফংদ্রবদি লৈঙাক অসিগী মপুন্সি লোইরবগুম্বনি। মসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক অসি মথন্তা কায়জরগনি। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী রাইট খোঙ্গৈইনরবা অমসুং মিলিটরিগী শক্তি শীজিন্নদুনা শুপ্পম সাসন চথরক্লবদি হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগুম্বা কয়া মতুংদসু লাকখিগনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মহৈরোয় ওর্গনাইজেসন অমসুং লৈঙাক অনীগী মরক্তা আপিল তৌরদুনা, খুন্নাই অসিগী তুংগী লাইবক্কীদমক খল্লগা হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি লোইশিন্নবগীদমক ৱারী শানবীয়ু। করিগুম্বা পাম্বৈ অমা হেক্তদা ৱারী শানদুনা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং অসি য়াশিন্নবা পুরক্লবা মীয়াম পূন্নমক্লসু মতেং পাংনবা চেরোল অসিনা আপিল তৌরক্লি।

**ওক্টোবর ৩০, ২০০৯ :** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ বজারগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অপূনবা লূপনা চঙশিল্লিবা খোঙজংবু শৌগৎতুনা মহৈরোয় লূপ এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এনা চঙশিল্লিবা মতম কক্তবা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং অসিগী মতাংদা ঙসি ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না শীন্দুনা য়াইস্কুলদা লৈবা এম দি য়ু হোলদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা নবেম্বর ৩দগী ক্লাস হৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসিগী খন্ন-নৈনবা অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা - লৈঙাক অমসুং খোঙজং চঙশিল্লিবা লূপশিংগী মরক্তা ক্লাস বোইকোট তৌরিবা অসিগী মতাংদা নবেম্বর ২ ফাওবগী মনুংদা য়াশিন্ননবা হায়জবা অমসুং নবেম্বর ৩দগী ক্লাস হৌবা, নবেম্বর ৩ ফাওবগী মনুংদা ক্লাস তৌনবা অয়াবা পীবিদ্রবদি অমসুং অথিংবা ৱাফম লাক্লবদি প্রাইভেট স্কুলশিংনা সিট ইন প্রোটেষ্ট নৎত্রগা মাস রেল্লিগী অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনবা, প্রাইভেট স্কুলশিংনা রিকগনাইজেসন সর্টিফিকেটশিং মণিপুর লৈঙাক্তা সরেন্দর তৌবা অমসুং মতুং তারকপদা মণিপুরগী থৌদোক ৱাথোক্লচিংবা থোক্লকপশিংদা এদ্যুকেসন্দা অথিংবা/অয়েৎপা পীবিদনবা আপিল তৌবা হায়বা ৱাফম য়াওরি।

ঙসিগী খন্ন-নৈনবা অদুদা ৱাঙাঙলোইশিংনা, হৌজিক চঙশিল্লিবা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং অসি চীং-তম মান্ননা চঙশিলহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি। অমরোমদা খোঙজং অসিনা সী বি এস ঈগী মখাদা মণিপুরদা লৈরিবা স্কুলশিংদা তন্নিবা মহৈরোয়শিংদা হেন্না শোকহনগনি হায়না নুংনাংবা ফোঙদোক্লখি।

ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং অসিনা মহৈরোয়শিংগী মোরেলদা য়াম্না শোকহনবা, লাইরিক তম্বগী নুমিৎ মশীং শুবা ঙল্লোইদবশিংগী মতাংদসু পুথোক্তুনা খন্নখি। শরুক য়ারিবা প্রিন্সিপালশিং, ওজাশিং, পি আর ওশিং অমসুং মমা-মপাশিংনা ক্লাস বোইকোট অসি য়াশিন্নবা পুরক্তুনা হন্দোক্লবা আপিল তৌনখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন রিভোকেসন ওফ ইন্দিফিনিট ক্লাস বোইকোট ইন মণিপুর হায়বা মীওই ১২না শাবা কম্মিটি অমসু শেমখি।

চৈরকসিদা আনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি একাদেমিদা ষ্টেট লেভেলগী ওজাশিংগী এসোসিএসনশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈঙাক্লা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং অসি লোইশিনহন্নবা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎনবা দাবী তৌখ্রে।

ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না থোকপা চেরোল অমনা, ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং চঙশিনখিবদগী মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক করিয়রদা অচৌবা চৈফু অমা পীরকপসিনা মখা তাবা করি ওইরক্কদগে হায়ফম খঙদবা অমা ওইরি হায়রদুনা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং চঙশিল্লিবশিংগা য়াশিন্নবা পুরকপীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

সেক্রেট হার্ট স্কুল, পোরোম্পাৎকী গার্জিয়ন অমসুং ওজাশিংগী অপূনবা মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা মহৈরোয়শিংবু অথুবা মতমদা মহৈ তম্বা ফংহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্তা আপিল তৌখি হায়রি।

ব্লেস একাদেমি, তেরা বজারগী মমা-মপা অমসুং ওজাশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম অমনসু ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং অসি অথুবা মতমদা য়াশিন্নবা পুরক্লবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা হোৎনবীনবা আপিল তৌখ্রে হায়রি।

স্কুল কাদবনা মরম ওইরগা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিংনা মায়োক্নরিবা শেলগী অৱাবদা লৈঙাক্লা মতেং পাংবীনবসু লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, কাঞ্চিপুরনা থোকপা চেরোল অমনসু খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্কী মতাংদা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা অসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, ও ইবোবীনা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

**ওক্টোবর ৩০, ২০০৯ :** নহা অনী থিবা খঙদবগা মরী লৈননা ঙসি মীয়াম্না লিলোং পুলিস ষ্টেসন কোয়শিনবদা নত্তনা সিট ইন প্রোটেষ্ট অমসুং লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

থিবা খঙদ্রিবা নহা অনী অদুদি এম দি শহাজহান এলিয়জ সাজন (২৭) অপোকপা এম দি অব্দুল সলাম, লিলোং তুরেল অহনবী উপাক থোং অমসুং লাইশ্রম বাইতু এলিয়জ ইবুঙো (২৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোতোম্বী কৈশাম্পাৎ কাংঙবম লৈকায়নি।

এম দি সহাজহানগী অপোকপা অব্দুল সলাম লম্ফেলদা লৈবা সেটলমেন্ট দিপার্টমেন্টতা এ এস ও ওইবনি। ঙরাং অয়ূক পুং ৯ রোম তাবদা সহাজহাননা মহাক্কী মারুটি কারদা মহাক্কী অপোকপা অব্দুলবু ময়ূমদগী ওফিসতা থিনবা চৎখিবনি হায়রি।

মহাক্লা মপাবু ওফিসতা থিল্লল্লবা মতুং অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা মোবাইলদা ফোন তৌরক্তুনা মহাক বাবুপড়াদা লৈরি, বাইতুগা থবক অমা চৎকনি হায়না খঙহল্লকখি। মদুগী মতুং নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা সহাজহান্দা ফোন তৌরুবদা মহাক্কী মোবাইল অদু স্বিটচ ওফ তৌরমখি হায়রি।

মখোয় অনী থিবা খঙদবগা মরী লৈননা ঙসি অয়ূক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা সহাজহানগী ইমুং-মনুংনা লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা চৎতুনা অইবা চেরোল অমা পীরগা ৱাকৎখি। লোয়ননা অয়ূক পুং ৮দগী লিলোং পি এসকী মমাঙদা সিট-ইন-প্রোটেষ্ট পাঙথোকখি। নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা য়াল্লবা মীয়াম্না লিলোং পুলিস ষ্টেসন কোয়শিন্দুনা মখোয় অনী পুথোক্লবা তকশিনখি হায়রি।

নুংথিল পুং ২ রোম তাবদগী লিলোং পি এস মমাঙদা কোয়শিন্নবা মীয়াম্না লিলোং থোং অমসুং উশোইপোকপী (নেসনল হায়ৱে ৩৯) লম্বীদা টয়ার মৈ থাদুনা অচৎ-অওক পূন্নমক থিংখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনদি ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা লিলোং পি এস নাকলদা লৈবা ২৮-শুবা এ আরগী কেম্পসতা চৎখিবা উনহৌবা লৈ। অদুবু এ আরদা হংলুবদদি মখোয়না ফাবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।